**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-08-2025)**

**এমওএস(এল) ঃ** কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস অমদি টুরিজমগী রাজ্য মন্ত্রি-সুরেস গোপিনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাদা চৎতুনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী থবক থৌরমশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

ঙসি ইম্ফালদা থুংখিবা শ্রী সুরেস গোপিনা সভাপতি ওইদুনা জিলা অদুগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা জিলা অসিদা লৈরিবা লম কোইবশিংগী য়েংফম কয়ামরুম লৈরিবা অসিগী মতাংদা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন তৌখি। মফমশিং অদুগী মনুংদা-আই.এন.এ. ৱান ম্যুজিয়ম, আই.এন.এ. মেমোরিএল কমপ্লেক্স, লোক্তাক পাৎ, সঙাই ইথনিক পার্ক, বিষ্ণু মন্দির, গোপিনাথ মন্দিরনচিংবা য়াওরি। জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা করাং ইথৎপু মোদেল দিজিটেল আইলেন্দ অমা ওইনবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মতাংদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা নীংথিনা পাউদমখি।

শ্রী গোপিনা জিলা অসিদা লৈরিবা লম কোইবশিংনা য়েংবা য়াবা মফমশিং মরুওইনা লোক্তাক পাৎপু হেন্না ফজবা মওংদা অমুক হন্না শেমগৎতুনা মালেম থাক্কী লম কোইবশিংগী অচৌবা মফম অমা ওইহন্নবা শেমগৎকনি হায়বগী থাজবা পীখি। মসিনা রাজ্য অসিদা আই হেন্না লাকহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

**ইভিক্সন (এল) ঃ** রাজ্য অসিদা লম্বীগী নাক য়েৎতা সরকারগী লমদা আইনা কায়না লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর জিলাশিংদা লেপ্তুনা

তকথোকপগী হৌজিক চথরি।

ককচিং জিলাগী ওইনদি, আইন কায়না লম খোচিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক থা অসিগী ২১ দগী নুংথিল পুং অহুমদগী চথবা হৌগনি হায়রি। হীরম অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা ঙসি অখন্ননা উন্নবদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দনা হায়-লম তকথোকপগী থবক অসি হৌখিবা মতম খরগী মমাংদগী হৌনবা হোৎনরম্বনি। অদুবু, খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী য়েথোক্তুনা লাকপনি। মহাকা হায়-আইন কায়না লম খোপচিল্লবশিং ঙসি তকথোকপা চৎলুবদা, লম খোপচিল্লম্বশিংনা মশা মশানা শাজিল্লম্বশিং লৌথোকচবা হৌরল্লে। মীয়ামনা সরকারগী লমদা আইন কায়না শাজিল্লম্শিং মশা মশানা লৌথোকচগনি হায়বগী থাজবা পীরকপা অমসুং মতম খরদং ঙায়বীনবা হায়জরকদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা মখা তানা হায়-সরকারনা পীবা মতম, থা অসিগী ২১ গী নুংথিল পুং অহুম ফাওবদা করিগুম্বা মশা মশানা তকথোকচরমদ্রবদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা আইনগী মতুং ইন্না তকথোক্কনি।

**সার্টিফিকেট (এল) ঃ** কুমজা ২০২৩ গী ইমপ্রুভমেন্ট পরিক্ষা য়াওনা হয়ার সেকেন্দরি ইগজামিনেসনগী ওরিজিনেল সার্টিফিকেটশিং থা অসিগী ১১ দগী লৌবা য়ারগনি।

কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (কোসেম) গী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-সার্টিফিকেট অসি ইম্ফালদা লৈবা কোসেমগী ওফিসতগী মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসন হেদ নৎত্রগা মখোয়না মশক খঙবা মীওইনা লৌবা য়াগনি। সার্টিফিকেট লৌবা লাকপা মতমদা মীওই অদুগী আই.দি. কার্ড অমদি অধার কার্ড লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

**ককচিং(এল) ঃ** অঙাংশিংবু মতিক চানা মহৈ মশিং হৈহনবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক

পীজবা অমসুং নীংথিনা শেন্নবীবগী পান্দমদা কেন্দ্র সরকারগী পোসান-ভি পরহাই-ভি প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি ককচিং জিলাদা নুমিৎ হুমনি চথ্থরকপা অঙ্গনৱাদি ৱাকরশিংগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম লোয়শিনখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিবলপমেন্ট সাভির্সেস সেল-ককচিংনা পুন্না শিন্দুনা জিলা অসিগী লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ১০০ না শরুক য়াখি। হায়রিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি বেটচ মরি থোকা পাঙথোক্কনি। পুন্না অঙ্গনৱাদি ৱাকর ৩৬২ ত্রেন্নিং পীনবা পান্দম থল্লি। ত্রেন্নিং অদুদা মচি ওইবা চিঞ্জাক্কী মরুওহবশিং অমদি পোসানগী থবক থৌরমশিং করমা অঙাংশিংদা ফংহনগনি হায়বগী মতাংদা নীংথিনা তাকপী তম্বীখি।

**জিরিবাম(এল) ঃ** ষ্ট্রগ্লিং রিমেন্স এসোসিয়েসন-জিরিবাম ব্রান্সকী অহানবা ফাউন্দেসন ডে ঙসি পি.ডব্লিয়ু.ডি. গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কাংলুপকা ইরাংনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবশিংবু ইকায় খুমবা ওইনা মিনিট অনি তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

**চান্দ (এল)ঃ** অহানবা মনিপুরি ফ্যুচর ফিল্ম দাইরেক্তর-এস.এন. চান্দগী ৯০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি সিনে আর্টিষ্ট এন্দ টেকিসিয়ান এসোসিয়েসন (কাটা) অমদি মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইটি (এম.এস.এফ.দি.এস) অনিন শিনদুনা পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা এম.এস.এফ.দি.এসতা দিরেক্তর অসিগী ফিল্ম-ব্রোজেন্দ্রগী লুহোংবা উৎখি।

**অধিকারি (এল)ঃ** অধিকারি ময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্মনা ডাঃ প্রভাবতি সাইন্স

পোপুলারাইজেসন এৱার্ড ২০২৪ পীরগনি।

মনিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিলগী চেরোল অমনা হায়-মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং তরা, মেমেন্টো অমা অমসুং সাইটেসন অমা য়াওরি। মহাক অকাশবানি ইম্ফালগী হেদ ওফ প্রোগ্রাম ওইরম্মী।

**হেলথ (এল) ঃ** প্রাইমারি হেলথ সেন্টর-হৈঙাংগী ডে কিয়ার কেমোথেরাপি য়ুনিট অমা ঙসি হাংদোকখ্রে। য়ুনিট অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: এল. ইন্দিরা দেবীনা হাংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: ইন্দিরানা হায়-জিলা অসিদা চাউরাকা কেন্সর পেসেন্ট ৩০০ রোম লৈরি। মরম অদুনা, জিলা অসিদা অসিগুম্বা য়ুনিট অমা হাংদোকপা ঙম্বা হায়বসি তঙাইফদবা অমনি। মহাকা হায়-ঙসি হাংদোক্লিবা য়ুনিট অসি নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজ সেলগী থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা হাংদোকপনি। মসিদা মরুওইনা ওরেল কেন্সর, ব্রেস কেন্সর অমসুং সরভাইকেল কেন্সরগী লায়েং চথ্থগনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী এন.সি.দি. সেলনা কেন্সর লায়নাগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনখিবতা নত্তনা ওরেল, সরভাইকেল অমদি ব্রেস কেন্সরগী স্ক্রিনিং কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

**য়েন্থোকপা (এল) ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী উরুপ ও.বি.সি. গালর্স হোষ্টেল রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংদা ঙসি কৈরাউ বিত্রাগী এস.দি.ও. লাইশ্রম রোসন সিংহনা ফিশাকোন অমদি বাইসাইকলশিং য়েন্থোকখ্রে।

জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী পাউতাক মতুং ইন্না পৱার গ্রীপ কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদকী মখাদা কোরপোরেট সোসিএল রেসপোন্সিবিলিতিগী মনুং চন্না থৌরাং অসি পায়খৎপনি। সাইকল অমদি

ফিশাকোন য়েন্থোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা এস.দি.ও. রোসননা ফোংদোকখিবগী মতুং ইন্না ফিশাকোন অসিনা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংদা হেন্না পুকিং থৌগৎপদা নত্তনা মখোয়গী হিংনবগী লম্বীদা মতেং ওইননবগী পান্দমদা ফিশাকোনশিং অসি য়েন্থোকখিবনি অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মহেরোইশিংনা মহে মশিং তম্বগী চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাহন্নবগীদমক সাইকলশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

**রিলিফ (এল) ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইমুং মনুংশিং তোখায় তোখায় থম্বীবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি হায়না রিলিফ কমিতি মনিপুরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-ইমুং মনুংশিং তোখায় তোখায় থম্বা অসিনা অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লে। মরম অদুনা, হায়রিবা ৱাফম অসি হকচিন্না লৌবীবগা লোয়ননা খুদোংচাদবশিং অসিবু মীৎয়েং চংবীনবা আপিল তৌরক্লি।

**থৌবাল (এল) ঃ** থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংদা ই-সার্ভিসকী খুৎথাংদা বেঙ্ক একাউন্ট হাংবা, লেবর কার্ড শাবা, অধার কার্ড শেম্বা, ও.বি.সি. য়াওনা অতৈ সার্টিফিকেটশিং খুদক খুদক্তা পীনবগীদমক হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতগী হৌরগা চত্থরকপা কেম্প ঙসি লোয়শিনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট ই-গভরনান্স সোসাইতি অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজিগী খুৎশমরগা জিলা অসিগী ৱাংজিং কোদোমপোকপী, লমদিং হয়ার সেকেন্দরি অমসুং খাঙবোক রাইস রিছার্স ষ্টেসনদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চত্থরকপা কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ২০০ দা তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিং ফংহনখি।

**মিৎ (এল) ঃ** দিরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) অমসুং মেদিলেন হেদ ওফিস-পোরোম্পাৎকা খুৎশমরগা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা দি.আই.পি.আর. ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মেদিলেন আই কিয়ারগী খঙ হৈরবা মীওই ৯ না শাবা টিম অমা লাক্তুনা কেম্প অদুদা মিৎকী লায়েং চথখি অমসুং অনোক হোংনা ফংহনখি। কেম্প অদুদা দি.আই.পি.আরগী ষ্টাফ, পাউমী অমদি পাউমীশিংগী ইমুং মনুং পুন্না মীওই ৭০ লায়েংখি।

**লাইব্রেরী (এল) ঃ** রাজ রামমোহোন লাইব্রেরী ফাউন্দেসনগী ফাউন্দেসন কমিতিনা প্রস্তাব তৌরকপগী মতুং ইন্না ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালদা নেসনেল রেজিস্তার ওফ পাব্লিক লাইব্রেরী হায়বা পোরটেল অমা হাংদোকলে।

পোরটেল অসি হাংদোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, ওন লাইনগী খুথাংদা রাজ্য অসিগী থবক থৌরমশিং পায়খৎনবনি। ষ্টেট লাইব্রেরী প্লান্নিং কমিতি-মনিপুরনা মসিগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক থৌরম খুদিংমক ওন লাইন পোরটেলদা তৌনবা খঙহল্লি।

**উ (এল) ঃ** মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগী ১০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা উ থাবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। প্লান টু ডে এন্দ ব্রেদ টুমমোরো হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা উ চারা থাবগী থৌরম অদুদা পুন্না ড চারা ২০০ রোম থাখি। উ চারাশিং অদু মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগী ইকো ক্লব, এন.এস.এস. য়ুনিট, সি.আই.এস.এফ অমসুং গভরমেন্ট পোলটেকিক ইম্ফালগী মীহুৎশিংনা থাখিবনি।

**গ্যাস ঃ** প্রধান মন্ত্রি উসৱালা য়োজনাগী মখাদা ইং ২০২৫-২৬ কী ওইনা মখা তানা সবসিদি পীনবা লুপা কোতি লিশিং ১২ কায়থোকপদা সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-শ্রী বৈসনোনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ইমুং কোতি তরা লাখ ৩৩ দা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহনখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা কিলোগ্রাম ১৪.২ লুম্বা সিলিন্দর অমমমদা লুপা ৩০০-৩০০ সবসিদি পীগনি। কঞ্জুমর অমনা চহি অমদা গ্যাস সিলিন্দর ৯ লৌবদা লুপা ৩০০ গী সবসিদি অসি শোয়দনা ফংগনি।

**রাজ্য সভাঃ** তোঙান তোঙানবা ৱাফমদা বিরোধি দলশিংনা চরাংনবদগী রাজ্য সভাগী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোকখ্রে। অহানবগী ওইনা মীফম য়েথোক্লুরবা তুংদা নুমিৎয়ুংবদা অমুক হন্না মীফম হৌবদা বিরোধি সদস্যশিংনা বিহারদা ইলেক্তোরেল রোল স্পিসিএল ইন্টেনসিপ রিভিজন তৌবগী মতাংদা খন্ননবা দাবী তৌদুনা অমুক হন্না স্লোগান লাউবা হৌরকখি।

চেয়ার ওইনা ফল্লিবা ঘনশ্যাম তিৱারিনা ৱাহং পাউহং চখনবা হোৎনখি অদুবু বিরোধি সদস্যশিংনা মখা তানা চরাংনবদগী সভাগী মীফম থা অসিগী ১১ দা অমুক ফমবা য়েথোকখি। মদুগী মমাংদা, অয়ুক পুং ১১ দা মীফম হেক হৌবগা সভানা ভারত থাদোকউ অন্দলোনদা লৈবাক্কী নীংতমবগীদমক লান্থেংনখিবা ফ্রিদম ফাইটরশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

দিপ্যুতি চেয়ারমেন-হরিবন্সনা হায়-হয়েং আগষ্ট ৯ অসি ভারতকী নীংতম বগী লালদা য়ামা মরুওইবা পন্দুম অমা ওইরিবা ঐতিহাসিক ওইরবা ভারত থাদোকউ অন্দলোনগী ৮৪ শুবা কুমওননি। মহাকা হায়-১৯৪২ দা মহাত্মা গান্ধিনা হৌদোকখিবা অন্দলোন অসিনা বৃটিশ সাসন লোয়শিলহন্নবা য়ামা শক্তি লৈবা খোঙজং অমা ওইখি।

**নদ্দাঃ** কেন্দ্রগী কেমিকেল অমসুং ফরটিলাইজর মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-হার পৈশিনদুনা থন্বা অমসুং নারোলদা য়োনবা থিংনবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

লোক সভাদা ঙসি ৱাহংগী মতমদা শ্রী নদ্দানা হায়-হার অসি তঙাইফদনা চংবা পোৎলম অমনি হায়না লাউথোক্লে অমসুং মদু ফরটিলাইজর কন্ট্রোল ওর্দর (এফ.সি.ও) ১৯৮৫ অমসুং ফরটিলাইজর (মুভমেন্ট কন্ট্রোল) ওর্দর-১৯৭৩ গী মখাদা নোটিফাই তৌখ্রে।

**উত্তরাখন্দ ঃ** উত্তরাখন্দদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক লেপ্তনা চথরি। রাজ্য অসিগী উত্তরকাসি জিলাগী ধারালি-হরসিল লমদমদা হেলিকোপ্তা শিজিন্নদুনা মী কনবগী থবক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অথেংবা ফাওবা চথখি। মদুদা মীওই ৩৭২ গঙ্গোত্রি লমদমদগী হরসিলদা অশোই অঙাম য়াওদনা থংদোরকখি। ওপরেসন অসিদা চিনুক অমসুং এম.আই সভেন্তিন হেলিকোপ্তরশিং শিজিন্নরি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট প্রসান্ট অরিয়ানা হায়- তেংবাংগী পোৎলমশিং, থকবা ঈশিং, হিদাক অমসুং চান থকবা পোৎলমশিং অৱাবা নংলবা মফমশিংদা থোরকপা য়াদনা লৈরিবা মীয়ামদা হেলিকোপ্তরগী খুত্থাংদা ফংহল্লি।

ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা হায়- হৌজিক ফাওবদা অশিবা হকচাং অনি ফংলে। লান্মীগী মীওই ৯ য়াওনা মী ১৬ থিবা ফংদ্রি। ঙরাং নুমিদাং মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধমিনা উত্তর কাশিগী দিজাষ্টর কন্ট্রোল রুমদগী মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথরিবা অদু য়েংশিনখি।

**ফুটবোলঃ** ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না জিলা থাক্কী ফুটবোল লিগ নৎত্রগা টুর্নামেন্ট শিনবা মতমদা ঙাক্কদবা চৎন-কাংলোনশিং খঙহল্লক্লি।

অস্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ফুটবোল লিগ নৎত্রগা টুর্নামেন্ট অমা শিনবা মতমদা অস্ফাদগী নুমিৎ ২০ নিগী মমাংদা অয়াবা লৌগদবনি। সি.আর.এস. নৎত্রগা সি.এম.এসকী রেজিষ্ট্রেসন প্রোসেসনা নুমিৎ ১০ গী মমাংদগী লোয়শিনগদবনি। জিলা থাক্কী লৈরিবা এসোসিয়েসনশিংনা লিগ নৎত্রগা টুর্নামেন্ট অদু শিনদ্রিঙৈগী মমাংওইননা সি.এম.এসতা টোপ দিভিজন লিগশিংগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবা অসি তঙাইফদবনি অমদি লিগকী মতম লেপ্পবা মতুংদা শান্নরোইশিং হাপচিল্লোইদবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-সুপর দিভিজন অমদি ফাষ্ট দিভিজনগী ওইনা য়াল্লবদা টিম ৮, সেকেন্দ দিভিজন, থার্দ দিভিজনগী ওইনা য়ামদ্রবদা টিম ৬-৬ ওইগদবনি হায়রি। হায়রিবা কাংলোনশিং অসি ইন্দ্রবদি হায়রিবা টিমশিং অদু অস্ফানা শিনবা ৱিন্নরস কপশিংদা শরুক য়াবা য়ারোহ্ হায়রি।

**গেমসঃ** ঙসিদগী হৌদুনা চাইনাগী চেংগুদা চথরিবা ৱার্ল্ড গেমস ২০২৫ দা ভারতকী মীওই ১৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু শরুক য়ানবগীদমক শেম শাবা পুমমক লোয়রে।

কুমজা ১৯৯১ দগী হৌদুনা চহি মরি খুদিংগী লেপ্তুনা চথ্দুনা লাকপা ৱার্ল্ড গেমস অসিদা ওলেম্পিক প্রোগামদা য়াওদবা মশান্নশিং য়াওরি। হায়রিবা গেমস অসিদা ভারতনা হৌবদগী শরুক য়াবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা সনাগী তকমান অমা, লুপাগী তকমান অমা অমদি শেঞ্জেংগী তকমান অহুম ফংবা ঙমখ্রে।